# সি সি মীট– ক্লাসা কৈনৌ অমদি নাকো নম্বুল মপাল প্রি–ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে





ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৭ (এস এন এস)ঃ ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসননা শীন্দুনা থা অসিগী ৪ দগী ইম্ফালগী মপাল কাঙজৈবুংদা মপালগী টিম ২ য়াওনা পূন্না টিম ৩২ না শরুক য়াদুনা চথরিবা ৬২ শুবা সার চুড়চান্দ সিংহ, কে সি এস আই, সি বি ই নীংশিং ইনভাইটেসন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯–২০দা ক্লাসা কৈনৌ অমদি নাকো নম্বুল মপাল প্রি–ক্বার্টর ফাইনেলদা শান্নরগনি। ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা ক্লাসা কৈনৌনা অমোফা মোইরাংবু কিক ফোম পেনাল্টিমার্কতা গোল ৫–৩ অমসুং নাকো নম্বুল মপালনা ৱাই পি ঐচ যু ললাম্বুং মখোংবু গোল ১–০ দা মায়থিবা পীদুনা প্রি–ক্বার্টর ফাইনেল চঙখিবনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ১৩ শুবা মেটচ ওইনা ঙসিগী অহানবা গ্রাউন্দা ক্লসা কৈনৌ অমদি অমোফা মোইরাংনা শান্নখিবা মেটচ অসিদা টিম অনীমক্না য়াম্না লাম্বা চানা শান্নদুনা অমগা অমগা হেন্নদনা অকনবা মওংদা শান্নদুনা ইম্ফালগী মপাল কাঙজৈবুংদা মেটচ অসিবু য়েংবা লাকখিবা ভাবকশিংগী পুক্নিং চিঙশিনখি।

টিম অনীমক্না মাগী–মাগী এটেক্টিং জোনশিংদা লেপ্পা লৈতনা এটেক্ট কয়া চত্থন্নদুনা প্রেসর পীশিন্নখি। অদুবু টিম অনীমক্কী শান্নরোইশিংনা নিংথিনা শান্নবদগী টিম অনীমক্কী এটেক্টশিং অদু অপীবা মিনিট লোয়বা ফাওবা গোলদা ওন্থোকপা ঙম্মদবদগী ৱিন্নর দিসাইদ তৌনবা কিক ফোম পেনাল্টি মার্ক কাওন্নবা তাখি।

পেনাল্টি কাওন্নবদা ক্লাসাগী জর্সি নম্বর ২ ঙৌবা, জর্সি নম্বর ১৯ বোনি, জর্সি নম্বর ২৩ লুনগৌলেন, জর্সি নম্বর ১৭ জোন্নি অমদি জর্সি নম্বর ১০ নবচন্দ্রনা গোলদা ওন্থোকখি। অদুগা অমোফা মোইরাংগী জর্সি নম্বর ৭ সাইলেস, জর্সি নম্বর ২৫ শ্যামসন অমদি জর্সি নম্বর ৩ প্রিয়োকুমার মখোয় অহুমখক্তনা গোলদা ওন্থোকপা ঙমখিবনা ক্লসানা অমোফাবু গোল ৫–৩ দা মায়থিবা পীখি।

মেটচ অসিদা অমোফা মোইরাংগী জর্সি নম্বর ৪ এস বাবুলদা মেটচ কন্দক তৌখিবা রেফরিনা ফাওল শান্নবগীদমক য়েলো কাদ বুক তৌখি।

শান্নখিবা মেটচ অসি এস ওনিল ,টি ঐচ কিরনজিৎ, এল গোকুলানন্দ অমদি কে অজিৎনা মথংশিংনা সেন্টর রেফরি, এসিস্টেন্ট রেফরি ৱান, এসিস্টেন্ট রেফরি টু অমদি ফোর ওফিসিয়েল ওইনা কন্দক তৌখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ১৪ শুবা মেটচ ওইনা ঙসিগী অনীশুবা গ্রাউন্দা ৱাই পি ঐচ যু ললাম্বুং মখোং অমদি নাকো নম্বুল মপালনা শান্নখিবা মেটচ অসিগী অহানবা হাল্ফতা নাকল অনীমক্না খোঙজেল য়াঙনা শান্নরকখিবনা টিমশিংগী কিপ্পরশিংবু কয়ারক হন্না চায়েং তৌখি।

মেটচকী মিনিট ২১ চৎপদা ৱাই পি ঐচ যু ললাম্বুং মখোংনা তাঙনা ফঙবা তাঞ্জা অমদা টিম অসিগী ওফেন্সিপ প্লেয়র মোনিসকী গোল এটেম অদু বার মথাক্তা চৎখিবনা অরেম্বা তাখি।

নামো নম্বুল মপালগী মায়কৈদগীসু হাল্ফ মমাঙদা গোল একাউন্ট হাঙনবগী তাঞ্জা ফঙখি অদুবু ৱাই পি ঐচ যুগী গোল কিপ্পর কে জেমসনা নীংথিনা শান্নখিবনা গোল চন্নবা ঙমদনা অহানবা হাল্ফ লোয়শিনখি।

অনীশুবা হাল্ফতা নাকোগী কোচ কামৈ জয়না অনৌবা লাঙলোন শীজিন্নরক্তুনা শান্নবা হৌরকখিবনা ৱাই পি ঐচ যুগী মায়কৈদা চাঙ নায়না তকশিন্দুনা গোল একাউন্ট হাঙনবা হোৎনরকখি।

মেটচকী মিনিট ৬২ চৎপদা ফঙখিবা নাকো নম্বুল মপালগী এস বসান্তনা কাওরকখিবা ফ্রি–কিক অমদা মহাক্কী টিমমেট সষ্টিটুয়্যদতগী চঙলকখিবা এক্সপ্রিরিয়েন্স লৈরবা শান্নরোই জর্সি নম্বর ৯ টি ঐচ বান্দদোনা ৱাই পি ঐচ যুগী দিফেন্দরশিংগী মার্কিং দগী হৈশীংনা নাথোক্তুনা বোল অদু নীংথিনা শমজিন্দুনা অহানবা নেট মনুংদা চঙহন্দুনা নাকোনা গোল মাঙজিল থাখি। অপীবা মিনিট লোয়বা ফাওবদা ৱাই পি ঐচ যু ললাম্বুং মখোংনা শোত্থরিবা গোল হন্দোকপা ঙমদবদগী মেটচ অসি মায়থিবা নঙখি।

মেটচ অসিদা ৱাই পি ঐচ যুগী জর্সি নম্বর ৬ রাজকুমার রোবিন, জর্সি নম্বর ১০ দব্লিউ সদানন্দা অমসুং নাকোগী জর্সি নম্বর ৩ এল রোক্কিদা মেটচ কন্দক তৌখিবা রেফরিনা ফাওল শান্নবগীদমক য়েলো কাদ বুক তৌখি।

শান্নখিবা মেটচ অসি এস ঐচ সুরেস, এল রোজিৎ, পি দেবানন্দ অমদি এস ঐচ ইবোমচা শর্ম্মানা মথংশিংনা সেন্টর রেফরি, এসিস্টেন্ট রেফরি ৱান, এসিস্টেন্ট রেফরি টু অমদি ফোর ওফিসিয়েল ওইনা কন্দক তৌখি।

| Next Match |
| --- |
| 18/12/2019 |
| Match No. 15 |
| AIM vs AFC |
| Time : 11.45 am. |
| 18/12/2019 |
| Match No. 16 |
| KPFC vs SSU |
| Time : 2.15 pm. |

# মণিপুরদা অহানবা ওইনা ত্রাইথালোন ইভেন্ট পাঙথোক্কদৌরি

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৭ (এস এন এস)ঃ মণিপুরদা ইহান হানবা ওইনা ত্রাইথালোন মশান্না অসিগগী কম্পিটিসন অমা লাক্লিবা দিসেম্বর ২২ দা খুমন লম্পাকতা টেনাসিটি ত্রাই–ক্লব অমদি জে সি আর ই অনী পূন্না খুৎশম্নদুনা পাঙথোক্লগনি হায়না ক্লব অসিগী মেম্বর রাজকুমার চারজলনা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাঙথোকখিবা পাওগী মীফম অমদা মহাক্না মখা তানা হায়, ত্রাইথালোন হায়রিবা মশান্না অসি মতম কুইনগী মমাঙদগী মণিপুরগী শান্নরোই কায়না ইন্দিয়াগী অমদি মলেমগী থাক্তা মনা মথুম কয়া পুরকখ্রবা মশান্না অমনি অদুবু হায়রিবা মশান্না অসি লমদম অসিগী মীয়াম্নদি পাক শন্না খঙনবগী চাঙ খরা নেম্না লৈরি।



মসিদসু নৎতনা মপাল লমদা পাঙথোকপা কম্পিটিসনশিং শরুক য়ারুনবা শান্নরোইশিংনা চৎনবা ত্রাইয়েল অসিসু চহী ১ গী মনুংদা অমুকখক্তমক পাঙথোকপা মরমনা শান্নরোইশিং অসিনসু ত্রাইয়েল ময়াদা খক্তমক প্রেটিক্ট তৌবগী হৈনবী অমা লৈরক্লি। মসিনা মরম ওইদুনা মলেমগী অমদি ইন্দিয়াগী ফম্বাক্তা লমদম অসিগী শান্নরোইশিংনা খুমাঙ থাদুনা চৎলম্বা মশান্না অসি তপ্পা অসুম অসুম হন্থরক্লি।

অসিগুম্বা খুদোংচাদবা অসি খরামখৈ ময়োক্নবা অমদি মালেমদা লমদম অসিগগী শান্নরোইশিংনা কন্দুনা থল্লিবা মফম অসি হন্থাদনবা নন–প্রোফিট ওর্গনাইজেসন অমা ওইরিবা টিনাসিটি ত্রাই–ক্লব অসিনা হন্দক্কী চহী অসিদগী হৌদুনা কম্পিটিসন অসি পাঙথোক্নবা লেপখিবনি হায়খি।

হন্দক জে সি আর ই প্রজেন্ট স্প্রিট দিসটেন্স ত্রাইথালোন হায়না মীংথোন্দুনা পাঙথোক্কদৌরিবা ইভেন্ট অসি মিটর ৭৫০ গী স্বিম্মিং, ২০ কিমি সাইক্লিং অমদি ৫ কিমি রন্নিংনা শান্নগনি। কম্পিটিসন অসিদা নুপা নুপী অনীমক শরুক য়াবা য়াগনি লোয়ননা হন্দক পাঙথোক্কদৌরিবা কম্পিটিসন অসিনা শান্নরোইশিংদা মরুওইনা নহা ওইরিবশিংদা অচৌবা ইনোৎ হাপ্পবগী পান্দমদা পাঙথোক্কদবনি হায়খি।

মলেমদা লমদম অসিগী মীংচৎ পুরক্লিবা অমদি পুরক্নবা হোৎনজরিবা শান্নরোইশিং অসিদা লমদম অসিগী লৈঙাক্লা মীৎয়েং চঙহনিংবগী অপাম্বাসু আর কে চারজলনা মখা তানা ফোঙদোরকখি।

# জুনিয়র বোইজ ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট ক্লব ফুটবোল টুর্নামেন্ট হৌখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৭ (এস এন এস)ঃ ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসননা শীন্দুনা ঙসিদগী ইম্ফালগী মপাল কাঙজৈবুংদা টিম ১০না গ্রুপ–২ থোক্লা খায়দোক্তুনা ৩১ শুবা জুনিয়র বোইজ ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট ক্লব ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯ হৌখ্রে। ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা ই এস যু ইম্ফাল ইষ্ট অমদি পময়াল ইম্ফাল ৱেষ্ট মায় পাকখ্রে।



টুর্নামেন্ট অসিগী অহানবা মেটচ ওইনা ঙসিগী অহানবা গ্রাউন্দা গ্রুপ–এগী এস দব্লিউ সি ইম্ফাল ইষ্ট অমদি ই এস যূ ইম্ফাল ইষ্টনা শান্নখিবা মেটচতা ই এস যুনা এস দব্লিউ সিবু গোল ৩–০ দা মায়থিবা পীখি।

মায় পাক্লবা ই এস যুগী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ১৮ এল নাওথোইনা মিনিট ৩, জর্সি নম্বর ১২ এম অরিফনা মিনিট ২২ অমসুং জর্সি নম্বর ৭ থুমসোল তোঙশিননা মিনিট ২৪ দা চনখি।

মেটচ অসিদা এস দব্লিউ সি ইম্ফাল ইষ্টকী জর্সি নম্বর ৪ পি দিপক অমসুং জর্সি নম্বর ৬ পি রোনেলন্দ্রোদা মেটচ কন্দক তৌখিবা রেফরিনা ফাওল শান্নবগীদমক য়েলো কাদ বুক তৌখি।

শান্নখিবা মেটচ অসি এম রোশনি চনু, এস লিতনবলা চনু, ই দেবলা অমদি বিদিয়াপটি য়ুম্নামনা মথংশিংনা সেন্টর রেফরি, এসিস্টেন্ট রেফরি ৱান, এসিস্টেন্ট রেফরি টু অমদি ফোর ওফিসিয়েল ওইনা কন্দক তৌখি।

অনীশুবা মেটচ ওইনা ঙসিগী অনীশুবা গ্রাউন্দা গ্রুপ–এগী পময়াল ইম্ফাল ৱেষ্ট অমদি রফানা শান্নখিবা মেটচতা পময়ালনা রাফাবু গোল ৪–১ দা মায়থিবা পীখি।

মায় পাক্লবা পময়াল ইম্ফাল ৱেষ্টকী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ৪ কে ঐচ মনিমতুমনা মিনিট ২৫, জর্সি নম্বর ১০ পি ঐচ রোস্তমনা মিনিট ৩৭, জর্সি নম্বর ১১ এম মাইকেলনা মিনিট ৪৫ অমসুং জর্সি নম্বর ৮ কে মোনেক্সনা মিনিট ৬৬ তা চনখি। মায়থিরবা রাফাগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা জর্সি নম্বর ৯ এল রোনাল্ডোনা মিনিট ৬৩ চৎপদা চনখি।

মেটচ অসিদা রাফাগী জর্সি নম্বর ৪ ঐচ রাজকিরনদা মেটচ কন্দক তৌখিবা রেফরিনা ফাওল শান্নবগীদমক য়েলো কাদ বুক তৌখি।

শান্নখিবা মেটচ অসি কে অজিৎকুমার, ৱাই ইঙোবী , এস লিতনবলা অমদি ই দেবলানা মথংশিংনা সেন্টর রেফরি, এসিস্টেন্ট রেফরি ৱান, এসিস্টেন্ট রেফরি টু অমদি ফোর ওফিসিয়েল ওইনা কন্দক তৌখি।

হয়েং অয়ুক পুং ৮ তাবদা আই এফ সি ইম্ফাল ৱেষ্ট অমদি আইদেল এফ সি চুড়চান্দপুরগা অহানবা গ্রাউন্দা শান্নগনি অদুগা অয়ুক পুং ৯.৩০ তাবদা নেরোকা এফ সি ইম্ফাল ইষ্ট অমদি এফ সি এ সদর হিলসনা অনীশুবা গ্রাউন্দা শান্নগনি।

# এস এস সি শেক্তা মায় পাকখ্রে



ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৭ (এস এন এস)ঃ ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিয়েসন (আই ই দি এফ এ)না শীন্দুনা থা অসিগী ১৪ দগী টিম ৭ না গ্রুপ–২ থোক্লা খায়দোক্তুনা ৱাই দব্লিউ সি প্লে গ্রাউন্দ থম্বালখোংদা চথরিবা কোইজম মাধোপ নীংশিং সেকেন্দ দিভিজন ফুটবোল লীগকী অহুমশুবা মেটচ ওইনা ঙসি শান্নখিবদা এস এস সি শেক্তানা এফ সি ইম্ফাল সিটি কোংবাবু ৩–০ দা মায়থিবা পীখি।

মায় পাক্লবা এস এস সি শেক্তাগী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ৮ ভিমনা মিনিট ২০ অমদি ৬৫ তা চনখি। অতোপ্পা গোল অদুনা জর্সি নম্বর ১১ এম বিগিয়ানন্দনা মিনিট ৬৪ চৎপদা চনখি।

হয়েং গ্রুপ–বিগী এস দব্লিউ সি খোঙমন অমদি য়ু দি ও হৈঙাংনা লীগ অসিগী মরীশুবা মেটচ ওইনা নুংথিল পুং ২ তাবদা শান্নগনি।

# ঐচ ৱাই দি সি সি এল মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৭ (এস এন এস)ঃ মণিপুর ভোল্লিবোল এসোসিয়েসনগী মীৎয়েং মখাদা য়ুম্বীরেল খূৎ ক্লব নাচৌ খা লৈকাই বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টনা শীন্দুনা ক্লব অসিগী শান্নবুংদা থা অসিগী ১৬ তগী টিম ৫ না শরুক য়াদুনা চথরিবা মেন’স ওপন ভোল্লিবোল টুর্নামেন্টগী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা ঐচ ৱাই দি সি সি এল, কে এল ৱাই এস সি, এম পি এস সি অমদি ৱাই এম দি ও মায় পাকখ্রে।

ঙসিগী অহানবা মেটচ ওইনা শান্নখিবদা ঐচ ৱাই দি সি সি এলনা এম পি এস সিবু সেট ৩–০ ( ২৫–১১, ২৫–১৪, ২৫–২০) দা, অনীশুবা মেটচতা কে ৱাই এল এস সিনা ৱাই পি এবু সেট ৩–২ ( ২৫–২২, ২০–২৫, ২১–২৫, ২৫–১৮, ১৫–৯)দা মায়থিবা পীখি।

অহুমশুবা মেটচতা এম পি এস সিনা ৱাই এম দি ওবু সেট ৩–১ ( ২৫–২০, ২৫–২০, ২৭–২৯, ২৮–২৬) দা অমদি মরিশুবা মেটচতনা ৱাই এম দি ওনা কে ৱাই এল এস সিবু সেট ৩–১ ( ২৫–২১, ২৫–১৫, ২২–২৫, ২৫–২২)দা মায়থিবা পীখি।

# প্রধান ট্রোফি ২০২০ পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৭ (এস এন এস)ঃ হয়েল য়ং পোপুলর ক্লব ( ঐচ ৱাই পি সি) হয়েল ইম্ফাল ৱেষ্টনা শীন্দুনা ইপূধৌ ইকোক নিংথৌ মরু নোংশাবগী শান্নবুংদা উচিৱা গ্রাম পঞ্চায়দকী প্রধান ট্রোফি ২০২০ অহুমশুবা ষ্টেট লেভেল ৭ এসাইদ মেন’স ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট জনুৱারিগী ৫ দগী হৌরগনি হায়রি।

ৱিন্নরদা লুপা লিশিং ৭০ গা লোয়ননা ট্রোফি অমসুং রন্নসতা লুপা লিশিং ৪০ গা লোয়ননা ট্রোফিগী মনা লৈবা টুর্নামেন্ট অসিগী ফোর্ম ঐচ ৱাই পি সি হয়েল, রেডিও লোক্তাক অমদি উচিৱা গ্রাম পঞ্চয়দকী ওফিসতগী লৌরবা য়াগনি।

ফোম পীশিনবগী অরোয়বা মতম থা জনুৱারি ২ দনি। ইন্ট্রি ফিনা লুপা লিশিং ৪১০০ ওইগনি।

ফিক্সচর দ্রোনা জনুৱারি ৩ দা পাঙথোক্কনি হায়রি।

# রঞ্জিৎনা লৈখিদবদা অৱাবা ফোঙদোরক্লি



ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৭ (এস এন এস)ঃ মণিপুর ফেন্সিং এসোসিয়েসনগী সেক্রেটরীগী ফম পুরম্বা ৱাকম্বম রঞ্জিৎনা লম্বীগী খুদোংথিবা থৌদোক অমদা হৌখিবা থাংজা নুমিৎ তাং ১৪দা লৈখিদবদা নেরোকা ফুটবোল ক্লব শাঙাকফম বাজারনা অৱাবা ফোঙদোরক্লি।

ঙসি ক্লব অসিদা পাঙথোকখিবা মীফম অদুদা লৈফিদ্রবগী মফমদা ইকায় খুম্নবা উৎপগা লোয়ননা মিনিট ২ তুমিনা লেপ্তুনা অৱাবা ফোঙদোকখি। রঞ্জিৎনা লৈফিদবা অসি ক্লব অসিগী অচৌবা মাঙজবা, মেন্সিবা ঙল্লরোয়দবা অমনি হায়নসু শীংথানখি। রঞ্জিৎ ইং ১৯৯৫ দগী ১৯৯৭ ফাওবা নেরোকা এফ সিগী জেনরেল সেক্রেটরীগী ফমসু পুরম্মী।

রঞ্জিৎনা ইখঙ খঙহৌদনা লৈখিদবা অসিদসু ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফেন্সিং এসোসিয়েসনগী ভাইস প্রসিদেন্টনা চীয়র লৌদুনা ঙসি অয়ুক পুং ৮.৩০ তাবদা দিষ্ট্রিক্ট ফেন্সিং এসোসিয়েসন অসিগী খুমন লম্পাক স্পোর্টস কম্পলেক্সতা লৈবা ওফিসতা মিনিট ২ তুমিননা লেপ্তুনা অৱাবা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা লৈখিদবনা হীংলিঙৈ মতমদা কথোকপগা লোয়ননা তৌরম্বা ফেন্সিংগী থবক থৌরমশিং নৌহৌনা নীংশিংখি।

অমরোমদা রঞ্জিৎনা লৈফিদবা অসিদসু ভোবেনাম এসোসিয়েসন ওফ মণিপুরনা ঙসি মিনিট ২ তুমিননা লেপ্তুনা অৱাবা ফোঙদোকখ্রে।

# মণিপুর য়ুনির্ভসিটি সোফবোল টিম শমখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৭ (এস এন এস)ঃ পঞ্জাবী য়ুনির্ভসিটি অমসুং যোগী র্ভমানা য়ুনির্ভসিটিদা ইং ২০২০ জনুৱারিগী অহানবা চয়োলদা পাঙথোক্কদৌরিবা ওল ইন্দিয়া ইন্টর য়ুনির্ভসিটি সোফবোল ( মেন এন্দ ৱুমেন) দা মণিপুর য়ুনির্ভসিটিগী মহুৎ শীন্দুনা শরুক য়াগদবা নুপা ১৫ অমসুং নুপী ১৫ গী মিং লাওথোক্লে।

মখোয়শিং অদুদি নুপাগীদা –দি এম সাইন্সতগী কে ঐচ কাপিল, ইনিয়াং, টি ঐচ টিনিসন, দেবিদ অমদি অবিদনি। মোইরাং কোলেজগীদা এ দিঙ্কুনি। ইম্ফাল কোলেজগীদা এল নোংদম্বানি। মঙ্গোলঙানবী কোলেজগীদা এল ভুপেন্দ্রোনি। বি এম সিগীদা বিনিট অমদি ক্কিসননি।

এম বি সিগীদা অঙানবানি। এম য়ুগীদা টি ঐচ টিকেন, কে ৱাঙলেন, এ কে রোসন অমদি বঙ্কিমচন্দ্রনি।

নুপীগীদা– এম য়ুগীদা রঞ্জানা, এ বিন্দি, রিনাশ্রী, থোইনু, গিতারানি, বুসুরিয়ু অমদি সুস্মিতানি। ইম্ফাল কোলেজগীদা চনচন অমদি মণিপুর কোলেজগীদা এল সরজু, ই বিনিতানি।

দি এম সাইন্সকীদা জেলি শাইরোল, ৱিকু হিলু ৱিহাস, মরনলৈবী, কে এস ঐচ রাগেশ্বরি অমদি টি ঐচ প্রকিটিনি।

খনগখ্রবা শান্নরোইশিং অসি থা অসিগী ২০গী অয়ুক পুং ১১ তাবা মতমদা এষ্টিটেন্ট ডাইরেক্টর ওফ স্পোর্টস মণিপুর য়ুনির্ভসিটি ডা. সি ঐচ প্রদিপ সিংহদা রিপোর্ট তৌগদবনি হায়রি।

# টাজকির সেমি চঙখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৭ (এস এন এস)ঃ ৱান্টেদ বোইজ শঙ্গাই য়ুম্ফম পুলৈপোকপীনা শীন্দুনা থা অসিগী ৫ দগী টিম ১২ না গ্রুপ–৪ থোক্লা খায়দোক্তুনা পুলৈপোকপী প্লে গ্রাউন্দা চত্থরিবা অনীশুবা কয়ামুদিন ট্রোফি ২০১৯–২০দা টাজকির এফ সি অমদি এস এম এস এফ সি মায় পাক্তুনা সেমি ফাইনেল চঙখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা অহানবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা টাজকির এফ সিনা এম সি এবু গোল ৩–১ দা মায়থিবা পীখি। অনীশুবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা এস এম এস এফ সিনা শিঙা এফ সিবু মায়থিবা পীখি।









Owned and Published by Longjam Shyamananda Singh at Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur and Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor- Ningombam Hemantakumar, Joint Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, *e-mail : sanaleibak.ads@gmail.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com*